

*“চুন্নগী থিজিনবসু চৎনদে। পুথোরকপদা তাবা য়ানা অমসুং য়েংবা য়ানা অমসুং পূন্নমক্কী মথক্তা থাজবা পোকহন্না পুথোরকপা দরকারনি”*

*- নীলকান্ত*

*(মেলৈ লৈস্না নুংজুম্বা কাদাম্বা লৈনুংশিগী ৱাহৌদোক্তা)*

## পুন্সি খোঙচৎ

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ৱাখলগী ঈপাক অসিদা
তাওরদুনা চৎলিঙৈ
হে পূক্লিং করিগীনো নঙনা
অদুক তথক্লিবা।
থাজরুবনা থল্লবা
ঐগী ৱাখলনা
ওইখি চমন্নরবা
পূক্লিং ৱাখল লৈতাফম খঙদবা
ময়াগী মশক ওইরবা
শক্লোন কয়া।
শাগৎলুরী মথোং মরম খঙদ্রবা
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা
হিনাও শাবিনবা য়াওদ্রবা
পুন্সি হীদেন্দা।
তাওথদুনা চৎলি
পুন্সি ঈপাক অসিদা
পন্থুংফম খঙদনা।
ঈপাক অসি লানবা ঙম্নবা
ফাথৌ পূক্লিং ৱাখল
অকনবা নোংলৈ কয়াসু
অকি তুজুংনবা কয়া কয়াসু
মায়োক্লবা তাই
পুন্সি খোঙচৎ অসিদা।

## পীক্লবা থৱায় অমখক্কী

**—ইরেংবম বেনুবালা**

হুনজেকপীরল্লবসু নঙনা ঐবু
মীরাইবীরবসু মীপুম খুদিংনা,
হিংগনি ইথন্তা ওইরবসু
পীক্লবা থৱায় অসিমগী।
ইচাগী খোঙজি মখোলদা
অৱাবা পূম্বা কাওথোকই,
ইচানা ইমা কৌবদা
ঐগী অৱাৎপা লৈতরে।
অরেম্বনি খল্লি খুদিংমক
তাইবংগী ময়া হায়বসে,
লাপ্না লৈরগা নুংশিশা
নক্লরগা চরোই ক্বাক।
মমানা মচাবু নুংবিবা
মচানা মমা নিঙজবা
করি অমুক লৈরিবা?
অনীসিদগী অহেনবা নুংশিবা।
ইচানা কপ্পদনি নুংশিরিবা
নোক্লকপদুদনি ঐনা পেঞ্জরিবা,
কনাবু অমুক খল্লুদনা
মতৌদুতনি ঐনা য়েঙজরিবা।
ইচাগী নিঙবা থুঙনবা
ঐগী পেন্দবা উৎলরোই,
থৌনা ফনা হিংলগে
ইচাগীদমক লাম্হেংনরগে।

## ফজবা মায়থোং

**—কে ঐচ দেবলা**

খূৎতা তুরি পায়দুনা
শক্তম য়েক্লিবা লাইয়েকপা
লৈতেং কয়ানা য়োল্লদুনা
কেবা লোইরবী লুহোংগদৌরিবী
নিংথিজবী শক্তমবু য়েক্লি,
মখূৎতা কলম পায়রিবা
অশৈবা মহাক্লসু
ফজবা ৱাহৈশিং থিরি
নোংমা ঐনা ইচেগী য়ূমদগী হল্লকপদা
লম্বীগী চিদাইদা চৎলম্বী
ইমা মানবী অমা থেংনখি
মহাক্তো অশেংবা ফজবা শক্তমনি
ইনাক তম্না চঙশিল্লকখি,
থাংলম্বা খোঙথাং চপ লেপ্পী
ৱাখলগী লৈচিলনা কুপশিল্লকখি
ইমিৎ কুপ্তুনা য়েংলদুনা লেপচখি
খুইথরবী পামেলগুল্লবী মহাক্লা
নাশোন্ননা অসুম্না হায়রকখি
“তাইবঙলক্তা হিংহনবীরম্লে
করিসু খঙজদ্রিবী নঙোন্দা
লংজবা চাম্মা চাম্মনা
মপোক লাঙ্গৈই চনগদৌরে।
কপকনু নহাক
তৈথোকপীনবা লৈত্রবী মিৎলু পিরাংনি”
ৱাহৈসিগা লোয়ননা খোঙথাংদো য়াংনা থাংদুনা চৎখি।
পিরাংনা চোৎলবা মায়থোংদো
শেগায়রবা ফিজোলনা লৈতেংবা হকচাং
উরাগুল্লবী শমলাংদুগী মরুমদা
চিল্লিবা তখেল্লে নাচোম
নাচোমদুগী লৈনম চোয়খিদ্রি
উফুল থাংলবী ইমা মানবী মহাক্তো
অশেংবা ফজবীনি
লম্বী শোরোক্তা য়ারেকপী চাক্লি ফিনিবী
নহাক অঙাওবী নৎলমলোই
ঙাওরিবদি পনখৈ লৈত্রবা

লৈচিলগী খোঙচৎকা খেন্নদ্রবা
পুন্সি মহাক্তবু ওইরিনি
কয়াদা নুংশিখ্রবনো
ইমা মানবী মহাক্তো?

## তাইনবীরে

**—রাজেন্দ্র থৌনাওজম**

মেক্রুক্কী নুংশিবা মনমদো
লম্বীগী মৈখুনা হুমখরে,
কাংশিগী মেংলবা মখোল
খুতিপোষ্টকী খোঞ্জেলনা হুমখরে
থোক্লকপশিং, লমলোংদা লম্মাংনরে
হন্দোকচরকপনি, ওনশিন্দুনা কাইনহনবীরে
কংলৈচাশিংদা, পেন্দদুনা তাইনবীরে।
মৈরাশিং মৈরীনা মৈৱাইরক্লে
নোংথাংসু কুপ্লক্লে নোংলক্তগী
চেকখাইরবা মফমশিং উরদুনা
নোংসু চুরক্লে মপোক চাউনা।

## নুংশি লাইশঙ

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

নুংশিবগী তোর্ব্বান ৱাংমসিদগী
নঙগী মায়কৈ ওন্দুনা
তমজরি খুদোলসিমতং নীংশিং শক্তম
নঙগী নফমদা হে নুংশিবা।
পীজনীংই নুংশি ৱাহৈ কয়া
পেলহঞ্জনীংই নঙগী থম্মোয়
ঙমদ্রে ঙমদ্রে করিমত্তা ঙমদ্রে
ওইখিবনা লায়রবা মপোক
নঙবু কাউদনবগীদমক মপোক খুদিংদা
শাগৎচৈ নুংশিগী লাইশঙ অমত্তং
ঙমদরে সনানা লুপানা মচু শঙবদি
লায়রবনা মরম ওইদুনা।
পুন্সি ঈচেলনা কংদ্রিমখৈদি
লেপ্পরোই নঙগী নুংশি ঈচেলসু
লাৎলগনি নঙগী নীংশিং শক্তমসে
নুংশিনা শাগৎচরিবা লাইশঙসিদা।

## ওল্লরে ওল্লরে

**—ডা. শশীকুমার য়ুরেম্বম**

লাইজ ঈশিংসু কংশিল্লক্লে
চীং পাৎ কোকথোরক্লে
ঈশিং-নুংশিৎ মাঙশিল্লক্লে
জীব ঙম্নমক মুৎশিল্লক্লে
হিংবগী মমল মাঙশিল্লক্লে।
চরোই তেতু খোংলখিদ্রে
ক্বাক্কী খোঞ্জেল তাখিদ্রে
কোকিল খোম্থাং তারকখিদ্রে
হৈনৌ মপাল কংশিল্লক্লে
হিংবগী মতম তেনশিল্লক্লে,
লম্ফেল নৱা কোম্বীলৈ
য়ারল পাৎকী তোমথিললৈ
শিরোই চীংগী লেলীলৈ
ঙাকপী শেনবী য়াওদনা শাৎঙমলরোই
অসুম্না অসুম য়েংখিদরা?
নোঙ্গৌবী চেক্লা পাইরকখিদরে
উরোক পরেং পাইরকখিদরে
তিঙ্গোং কাঙ্গোং খোংলখিদরে
নুংশা মৈশানা কাহৎলরে
ৱাকচীংগী উলেননা য়োল্লরে।
পারী ইমোমগী মীকপখোল
মমা ওইবীশিংগী তেংথাখোল
মপা ওইবগী নুংহিকখোল
মসি ঙম্নমক খাঙখিদরা?
খাঙবগী পাঙ্গল লৈখিদরা?


## মী মালহনবনি

**—এস প্রমোইনুং লৈমা**

করিসু কিদে ভুট প্লেট তম্নরাই
অকিবগী শকলোন পুথোরক্লবসু
কিবিদে লাই কোতি কয়া,
খঙদদুনা ফিজিনা ফিনা নেৎখ্রবসু
হায়জরগা খুরুমজরগা শোয়দনা চানবিগনি।
য়াম্না কিবা শাথিবদি
মীনা ওনবা তম্নরাই শাশিংনি।
ঈ থকপা মীনা ওনবা শা
খুজোক কয়া কয়াদুনি,
থেংলা শুক্লা অহিংদা
লাই-তীল কয়ানা
মীগী সনা লুপা মরল মুনখিদে
ফু চৈদুনা হাৎতোকপিখিদে
নুপী নহা কয়াদসু
কৈদৌনুংদা ঈজৎ তেমশিংনখিদে।
মীনা মীবু ওৎ নৈবনি
মীনা মীবু হাৎতোকপনি
তৌহৈদবা কয়া তৌবনি
মখোয়শিংদো মী মরক্তনা
মীদা মী ওইনা উহল্লি
শাজৎ অনী লোংবনি
অচেংবা তাঞ্জাদনা শা ওই
অদুবু! মীনা শা ওনবসে
মথি ফোঙবদি ৱাবনি।

# তুরেলনা ইনাক্তা য়ৌরকপা

## (চীং-তম কায়নখিনি ৱাজরিবা কবি অমা)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

মমিং ঃ তুরেলনা ইনাক্তা য়ৌরকপা
মখল ঃ শৈরেং
অইবা ঃ ক্ষেত্রিময়ূম জয়কুমার সিংহ
ফোঙবা চহী ঃ ২০১৬
অফোঙবা ঃ রোনিট পব্লিকেসন্স, ককচীং

**শৈরেংগী** ধর্ম য়াম্মী, চৎনলোন য়াম্মী, মখল কয়াদনি অপাবশিংদা য়ৌরক্লিবা, মওং কয়াদনি মশক উৎলিবা। অদুবু অমত্তা অরোইবা পন্থুং নত্তে, অমত্তা মসিনা মরোইরে হায়বা লৈতে, লৈফমসু থোক্তে। অদুনা কনাগুম্বনা হায়, শৈরেংদি পি মরিক অমনি, কনা অমনসু হায় শৈরেংদি মোমোন মীনোক্লি। লোইনা চুম্মী। নোবেল প্রাইজ কয়ারক খজিক্তদা ফংগদবা নাম্থোকখ্রবা, হৌজিক মশাগী চহী ১০৩ শুরবা চিলিগী কবি, নিক্কানোর পর্‌রানা শৈরেং অমখক ইখি, শুপ্নগী ৱাহৈ তরুকখক্কী - “য়ু এস এ/কদাইদা/নীংতম্বদি লৈবাক্কী মুর্ত্তি অমনি।” (USA/where/liberty is a statue) কয়া অমনা হায়, সিবু শৈরেংরনে। অদুবু ফনা হায়জরবসু শৈরেং মতেক অসিনা চহী কয়া হিংখি। ঙসিসু হিংলি। মসিনা তাকপদি শৈরেংদি তেনবা, শাংবদা লৈতে। মাগী মঙাল, নুংগী ৱাহন্থোক অদুদা লৈরে, শৈরেং অমগী মরেপ।

ঐনা ৱাফম অসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি পায়খৎচরিবা শৈরেং লাইরিক অসিদা ৱাহৈ খরগী শৈরেং মতেক অমখক য়াওরি। মসিনা ঐবু ঙাইহাক লৈতনা ওৎলি। অইবা জয়কুমারনা ওন্থোক্লা ফজনা হায়খ্রে। মাগী ‘লম্বীদা লম্বী থিবা-১’ হায়বা শৈরেং অসিদা মানা হায়রি, “লম্বী ময়ায়দা ঐনা/থিরি লম্বী অমখক/মিংশেল মনুংদা ঐনা/থিরি মিংশেল অমখক।” (লা: ১২৬) ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈখ্রে শৈরেং মতেকসি। ৱাহৈ ১২ অসিনা অপাবা খুদিং লম্মুক্ল হল্লগনি। খন্থদনা চৎখিবা য়াররোই। কয়া হৈনা ৱাহৈ খরসিনা ঙসিগী খুন্নাইসি মশক তাক্লিবা। ফজৈ হায়দবা ঙল্লোই। জয়কুমারগী লাইরিক ৭ পুথোককখ্রে, ৱারীমচাগী অনী য়াওনা। শৈরেংগী লাইরিক ৫ অসিদা হন্দক্কী অসিনা মিৎয়েং পাক্লকপা হেল্লি। শৈরেং ৮০ মক লোইনা নৎত্রবসু খরদি মশক শেংবা শৈরেং ওইরে। মতম পূম্বদা শৈরেং লাইরেম্বীনা অইবা অসিবু অমুক্লা চান্নবী ওই, অমুক্লা মঙ ওই, অমুক্লা মহৌশা ওই, তত্তনা কাইহৌরে। শৈরেংগী লায়না অমা লৈরে, মশাদা। মসিবু ইংরাজি কবি, ৱিলিয়ম কুপরনা ‘পোইটিক পেইন’ কৌই। মানা হায়রম্মী, মতম লৈতে, থেঙবা, ঙনবা খঙদে, শৈরেংগী লায়না অসিবু হেক হৌরকপদা ইদবা ঙমদে, ইদ্রিমখৈ ফত্তে। মসি কবিখক্তনা খঙই। অতৈনা খঙলোই হায়। অদুগুম্না জয়কুমার উরিবা খুদিং শৈরেং ওল্লকই। খাম্বা য়াররোই। মাগী ‘তুরেলনা ইনাক্তা য়ৌরকপা’ হায়রিবা শৈরেং অসি ইচম চম্বা শৈরেংনি, মরি থোক্লা ইরি, শাংবসু শাংই। মাগী নাকলদা চেল্লিবা তুরেলনা ঈচাও থোক্লক্তুনা মাগী শুমাঙ-মাঙ্গোল থূল্লকপা অদুবু শৈথাজবনি মওং কয়াদা, অফবসু ফত্তবসু। অদুনা লোইদে; জয়কুমারনা উৎনবা হোৎনরকই, চীং-তমগী অচেৎপা মরী, তৎন-থান য়াদ্রবা লীপুন অদু। তুরেলনা লংলা ওইহল্লকই চীং-তমগী কিশি। তুরেলনা য়ূমদা চঙলকপদু চীংগী মঙাইনা চঙলকপা ওইনা উরকই। অদুবু মতম অমদা ঐখোয়না অশেং-অমাং উত্তুনা য়ূমদা লাকখিবা ইঙাইদু য়ূম চঙহনখিদে, শুমাঙদা লৈহনখি। মদুগী অরিবা মলোম লৈরিবগুম উরকই। অদুনা জয়কুমারনা হায়, “অসুম্না লাক্লল্লে তুরেল ইনাক্তা/... লেপ্নাইদ পিরাংগী ৱারী লৈহৌরে/কুইরবা মলোম অমা পুদুনা/হনখরে মহাক পূক্লিং নুংশিনা।” (লা: ২৬২) কয়াদা চুম্না হায়খ্রবা।

ঙসিগী চরাংনবা খুন্নাই অসিদা কবি অমা ওইবগী হৌনশা থেমজিল্লি মমা লমদম্থু, ৱাগনু, মতম অমা লাকখিনি হায়না। থায়নগী ত্রেদিসনবু কবিনা ‘ইমন খাংপোক’ অমগী সিম্বলদা ইরি, ৱাগনু শোয়দনা ইমন খাংপোক অসিগী মপূদু হল্লকখিনি হায়না। মসিদি আশা পুবা কবি অমগী শৈহেক্লি। মানা হায়, “মৈ ঈশিং নুংশিৎনা/মাবু মাঙহনবা ঙল্লোই/... ঙাইয়ু ইমন খাংপোক/ঙাইয়ু মাবু ঙাইয়ু/ঙাইয়ু খাঙবা কন্না।” (লা: ১৫০)।

লাইরিক অসিগী ফজবা মশক অমদি কবি অসিনা আইরনী ফজনা শীজিন্নবা ঙম্বা অসিনি। লম অসিদা খ্বাইদগী মায় পাকখিবা কবিদি কবিরত্ন, সমরেন্দ্রনি। মাগুম জয়কুমারসু ইরি, ফজবা, নাকচেক্লা য়ৈবা, করেম্নবা শৈরেং মখল অনীখক। অমনা “নিংথৌ তূল্লি লাঙগনু অঙাংশা” হায়বা অসিনি। অতোপ্পা অমনা ‘ঙসিদি’ হায়বা শৈরেং অসিনি। শৈরেং অনী অসিদা জয়কুমারনা লমদমসিগী লৈঙাক মপুবু চৈদে, শাউবদি লোইরে। অদুবু করেম্নরকই ফজবা লোন্দা ওইনা। মানা হায় অহানবগী শৈরেংসিদা, “নিংথৌ তূল্লি লাঙগনু অঙাংশা/তপ্না চৎলু খোঙথাং মখোল থোক্ত/চরা হেল্লু মনা মনিল নাইদ/তুমিন্না কপ্পু ৱারৈ বেরা চেন্দ।” (লা: ১১০) অমুকসু হায়, “কপ্লবসু থোকহনগনু অহৌবা মখোল/শিরবসু তুমিন্না শিসি, লাউ খোংদ/য়াদে ইনিংথৌগী তূম্বা কায়হনবা।” (লা: ১১২) কয়াদা হৈনা, পেন্দবা, শাউনীংবা পূম্বা ফোঙদোক্লিবনো? ফজৈ হায়নীংঙি। অমুকসু খুন্নাইসিগী মশকপু করেম্নরি অমুক অসুম্না অকোনবগী শৈরেং অসিদা। কবিনা হায়, “ঙসি টিয়র গ্যাস কাপতে/ঙসি ঈশিংগী জগোয় উত্তে/ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমদে/ঙসি ইফিজি মৈ থাদে।” (লা: ২০২) হেক থোক্লিবা পূম্বা ওন্ন-তৈননা হায়রগা পেন্দবদু ফোঙদোকপা ঙম্মী হায়নীংঙি। ৱাটর কেনন কাপশিন্দুনা সড়ক থৎলিবী য়ুনিফোর্ম শেৎপী নুপীমচাশিং তানখায়নবা হোৎনখিবদু শংশং মিত্তা উহনবা ঙম্মী।

অতোপ্পা জয়কুমারগী ফজবা শৈরেং অমদি নুপীশিংদা থাব শৈরোল অসিনি। মতমসি ফৎত্রে হায়বদু শৈরেং মতেক অমনা লায়না ফোঙদোকপা ঙম্মী। কবি শরতচান্দনা ‘ইচে’ কৌবা শৈরেং মচা অমনা ঙসিগী খুন্নাইসিগী ফিভম কয়াম শোক্লবগে হায়বদু উৎপা ঙমখি। অদুগুম্না জয়কুমারনা ৱাহৈ খরদনা মচন-মচেবু চেকশিন-ৱা অমা হায়রি। মানা হায়, “হে থোৎলিবী লৈ/ওইয়ু নঙ মৈ/পায়য়ু নোংমৈ/... মীওইবা অফ-ফত্ত খঙদ্রে/নবুং নৌপ্পা কুচু শেংদে/ওন্থোক্লা লাপনৈ খূৎকা চীনগা।” (লৈ অমদা, লা: ১৭৪) ওন্থোক্লা তুংজুংলবা ফিভম অমা উৎলি। চুমদবদি নত্তে। মচিন-মৌপ্পা খঙলক্ত্রবা খুন্নাই ওইরবনি ঐখোয়। ফজনা ফোঙদোকপা ঙম্মী খল্লি।

অতোপ্পা শৈরেং অমসু য়াওরি, ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈখ্রবা। মাগী “শুমচিৎ” হায়বা শৈরেংসিনি। মীচম্থু মানা শুমচিৎ ওইনা য়েক্লি, মদুসু সড়ক লময়াইদা তারিবা। ঙসিগী মীচমগী ফিভম ফজনা ফোঙদোকপা ঙল্লি। কবি রত্ন শ্রীবীরেন্না মীচম্থু নুংশিনা শৈথারম্মী, মীচম নহাকসে সুম কুইর কুইরগা মতাইদদা সুম হেক্তা লৈরম্মী হায়না। অদুমক্লি কবি জয়কুমারনা উৎলিবা। অসিমসু হায়রি কবিসিনা মীচমগী লাইবক্তি ঙসিগীদা নত্তে, জুলিয়স সীজরগী মতমদগী ওইরসু, সম্রাট অশোক্কী মতমদগী ওইরসু, জহাপ্পনাহ অকবরগী মতমদগী ওইরসু ফিভম অদুম চপ মান্নে। হোংবা লৈতে। তশেংনা অচৌ-অশাংগীদি মিৎ নাফম ওইরবা সড়ক ময়ায়দা তাদুনা লৈবা শুমজিৎমক্লি।” ফজৈ হায়নীংঙি।

য়ামখ্রে লাইরিক অসিদা কবি জয়কুমারনা য়েক্লিবা মশক। মাগী শৈরেং লোইনমক্কী পাউদম্বা মফমসিদা ওইথোক্ত্রে। অদুনা অতৈ শৈরেংদগী তোপ্পা তাবা শৈরেং অমতং লৌখৎচগে। মসিমদি ৱাহৈগী ফজবদুনি। ৱাহন্থোকসু লৈবা। মাঙখ্রবা, থিরিবা নুংশিবী অমগী মফমদা পাউমেঞ্জবনি। মাগী ‘ঐ খঙই’ হায়বা শৈরেংসি মশক অমগীনি। মুন্না পাদবা য়াদ্রবা। মানা হায়, “নঙনা লান্দে হায়না নঙনা খল্লিবদো/ঐগী ৱাখলনা শাগৎপনি হায়না/নঙনা লান্না খনবদু/নঙ খঙই হায়বা ঐ খঙই হায়না খনবদু/নঙ খঙই হায়বা/ঐ খঙই।” (লা: ২০) শৈরেং মতেক অসিনা করিনো হায়রিবা হায়বদু ৱাহৈ ময়ামসি থুগায়দ্রবদি খঙবা ৱানা থোকই। ফজৈ হায়নীংঙি।

লোইশিল্লকপদা ৱাহৈ অমতংদি কবিগী মফমদা থমনিংঙি। মিৎনা উরগা, নানা তারগা ইবা শৈরেংদি মপান্থোংগীনি। কল্পনানা শাগৎপা, মঙলান কয়াগী তাইবঙ অমা শাগৎপদুনা অৱাংবা শৈরেংনি হায়নরি। অদুনা ৱাখলগী, পূক্লিংগী, কল্পনাগী শৈরেং ইবরোমদা খরা হেন্না চঙশিলহন্নিংবা লৈ। মসি ফনা হায়দুনসু কবি জয়কুমার শৈরেং ইদ্রবদি লৈবা ঙমদবা অমদি ওইরে। মথঙগী ঙাইরি।

## ‘শিংনবা’

### অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারী মচাগী লাইরিক ‘কান্টি কা কফন’ দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**চহী** অনীরোমসি মীয়ামদগী থাপতোক্লা, ময়ামগা মান্নদবা হায়বদু ওইদুনা লাক্লি। ওফিসতদি থবক য়াম্বনিনা ইশানা ইশাবু ফাজিনজবা ঙমজে। অহাংবা মতমদদি অচাকপা মোমবর্ত্তিগী মতৌগুম ইথন্তা চাকথেকচরি। ঐগী ইরাল করিনো? ৱাহংসিনি অবিনাশনা মতম পূম্বদা হংদুনতা লাক্লিবসি। করি মরমগীনো পন্থুং য়ৌরমদাইদা অন্নুনা মাবু নাথৈবীরল্লিবসি? ময়াম্না উনরিবসিদি নুপানা নুপীবু হুন্দে দাক্লম্বা, কাউথোক্লম্বা অসিনি। পোমশাৎনবী লৈরাংদা খোইমুগুম কোইঙং-ঙংদুনা ইন্নে, রস পূম্বা চুপথোক্লবা মতুংদা হুন্দোকপীরম্মী। অদুবু অবিনাশতি অন্নুনা মাগী পন্থুংনি খন্দুনা পূন্নমকপু কাউথোক্তুনা লাক্লি, অতোপ্পা নুপী অমগা লুহোংদুনা য়ূম পানবগী ৱাখল খনবা ঙমদে। মশা মথন্তা হায়জে, “হুম... অন্নুগী খুদোংচাদবা খরা লৈরম্বা য়াই” অসুম্না খন্দুনা হন্দকমুক ছুটি চৎপদদি মাবু কোয়থি থিরগা হংগে খল্লে, “ঐগী ইরাল করিনো? নঙনা ঐগী থম্মোয়বু খুদুম চনখিবনি। নুংশিবগী অনৌবা মায়ওন অমা পীখিনি।” কোলেজ তল্লিঙৈদদি মতম হৌখিবা খঙহৌদে। লাইরিক তম্বগা লোয়ন-লোয়ননা তুংগী পুন্সিগী মঙলান কয়াসু মঙখি। মখোয় অনীগী নুংশিনবদু ময়ামদগী তোঙাল্লি হায়নসু খনখি, মখোয়-মখোয়গী ইমুং-মনুংগী অয়াবা লৌনরগা মতম চানা লুহোংগেসু খনখি। ডিগ্রী ফংলবা মতুংদা কয়ারক হন্না হোৎনরবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওফিস অমদা থবক অচৌবা অমা ফংলে। অনৌবা ৱাখল, থৌনা অমদি হিংনিংবগী ইখৌ লাংবা অমগা লোয়ননা মানা দিল্লিদা থবক হেক হৌবদা পুন্সিগী মঙলান পূন্নমক মঙফাওনরগনি হায়না খনখি।

থবক অহানবা কাবা নুমিৎতুদা থবক চঙবগী রিপোর্ট ইবদুদা হরাওমনখিদুনা মখূত্তু থক-থক নিকই। ইনা-ইনা তুংগী পুন্সিদা শেল থুমগী অৱাৎপা লৈররোই হায়না থাজখি। ইমুং অনীনা মবান্নি লুহোংবগী অয়াবা পীরগনি খনখি। মথংগী নুমিৎ নোংমাইজিং নুমিৎ ওইবগা, ওফিসকী অহানবা নুমিৎ ওইবগা, ডাইরেক্তরনা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ময়ূমদা হনবগী অয়াবা পীরক্লে। সহর হেক য়ৌবগা ইহান হান্না অন্নুগী ময়ূম চৎলুই। ৱাখলনদি হান্ননা অন্নুগী ময়ূম য়ৌখ্রবনি, মখোঙদু ফনা কন্না থাংলিবনি অদুবু ইরেং লেংদবগুম খল্লি।

মাগী থবক্কীদমক অন্নুদু থৱায় য়াম্না য়াওজখিবনি। চেন-চেন্দুনা মনাওনুপী অমদি মপাদা অবিনাশ থবক ফংলে হায়দুনা পাউ তল্লি। চা থক্লিঙৈদা অবিনাশনা তুমিন্না মাগী অনিংবদু ফোঙদোক্লম্মী। অদুবু অন্নুনা অতৈ অতোপ্পা ৱারী শাদুনা ৱাফমদু থৈদোক্লবা হোৎনরি। অবিনাশ খোইরাং খোইশাওনৈ। করিনো ঙসি অন্নুনা তৌরিসিবু? হান্নদি লুহোংবগী ৱা য়াম্না ঙাঙবনি অদুবু ঙসিদি অতোপ-অতোপ্পা ৱা ঙাঙদুনা লৈরে, মানা ঙাঙলিবদু অবিনাশনা তানিংবা ফাওদে। ফনা কুইরবা মতুংদা মমানা মাবু ঙাইদুনা লৈরল্লনি হায়বা খঙনিং নীংশিংলকই। মানা চৎলগে হায়না থোরকপদা অন্নদু থোংজিন ফাওবা হেক থিন্দোরক্তে। মা শাওনিংবা, নুংঙাইতবা য়ান্নরে, কপনিংবা ফাওরক্লে। অদুম ওইনমক মানা মাগী দিল্লিগী ওফিসকী লৈফম তাক্লগা চিঠি ইরক্লবা ইঙ্গিৎসু পীরম্মী।

মথংগী নুমিত্তা মা দিল্লিদা লাক্লে। নুমিৎ চুপ্পা অমা ওফিসকী মীগা শকখঙ-মায়খঙনবদা হৌখ্রে। অহিংদুমদি মীথুংশঙদা লেল্লে। হৌজিক ফাওবদি ভাড়াগী য়ূম লৌদ্রি, অহিং চুপ্পা অমা তূম্বা য়ারমদে। অহিংগী পুং ৩ তারকপদা খনবমখৈ খল্লবা মতুংদা অন্নুদা চিঠি ইবা হৌরকই।

নুংশিবী অন্নু,

নুংশিরবী অন্নু, ইবান্নি লুহোংনবা থৌরাং তৌরসি। ইমাদসু হায়রে, মখোয়না অয়াবা পীরে। হৌজিক্তি অনৌবা পুন্সি অমা হৌরসিদনা। নহান্দি করি তৌরে? নঙগী নতৌদুদা ঐদি য়াম্না পাখৎলুরে। নখোয় পাপা অমদি অলকা লৈবদুনা তৌবা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু হান্নদি নঙ অদুম হায়না অমুক্তা তৌখিদ্রি। ফরে! অমবু ওইরো, অমবু ওইরো হৌজিক্তি ইবান্নি লুহোংনবা তৌবা য়ারে। চিঠিগী পাউখুম থুনা পীরকউকো। মিকুপ খুদিং নঙগী ৱাখলনি। ঐসে ঐগী ওইজদ্রবনি। ফরে... নঙগী পাউখুমতবু খৌরাংনা ঙাইজরি।

নহাক্কী
অবিনাশ, দিল্লি

অদুবু পাউখুম অমত্তা লাক্তে। অবিনাশনা হঞ্জিন হঞ্জিন চিঠি ইরি অদুবু মমিৎতা পিরাং ইহৌবা নত্তনা করিসু উবা ফংদ্রি। মানা য়ূমদা হেক চৎপগা অন্নুবু কোয়থি থি। মান্নে হায়দুনা চঙশিল্লুই অদুবু শকমান্নবী ওইরম্মী। কায়রবা থম্মোয় পুদুনা দিল্লিদা মাগী থবক মফমদা হল্লকই, মাবু নীংশিংদুনা মতম লেল্লি। মশা মথন্ত হঞ্জিন-হঞ্জিন হংজৈ-অসুম্না অন্নুনা খঙওন ওনখ্রিসিবু করিগীনো? ওফিসতসু থবক তৌমিন্নবা ময়াম্না হৌজিক ফাওবা লুহোংদ্রিবা করিগীনো হায়না তোয়না হংই। য়ূম-কৈ পান্নবা তৌরো, মসিসু পুন্সিগী অনৌবা মহাও অমনি। অদুবু করি পাউখুম পীগনি? য়ূমগী মীশিংসু নুংঙাইনদ্রে, হৌজিক্তি অন্নুগী ময়ূমদসু চৎপা ঙমদ্রে মরমদি মানা ওফিসতগী অন্নুদা ইখিবা চিঠিশিংদু মাগী মপানা অবিনাশকী ময়ূমদা পুরক্তুনা পীররে অদুগা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা কিহল্লল্লে। মসাদি য়াম্না কিরে। মানা ময়ূম লাকপদা “মঙোন্দা চিঠি অমুক হন্না ইররোই অদুগা মাগী ময়ূমদসু অমুক হন্না চৎলরোই” হায়না ৱাশকহল্লম্মী।

মায়কৈ পূন্নমক্তা লম্বী পূন্নমক থিংখ্রে, মা কনাগুম্বা অমত্তগা ৱারী শান্ননিংদ্রে। অন্নু নীংশিংবনা মাগী মথৌদাং ওইরে, করি উপায়দি লৈরি...? উপায় লৈত্রে...। ইমুংগী মীশিংনা লুহোংনবগীদমক তকশিল্লক্লি অদুবু অবিনাশকী থম্মোয়নদি মরাল লৈরবগুম খঞ্জরক্লি। ৱাখলনদি য়ানিংলে অদুবু থম্মোয়নদি য়ানিংদ্রি – অন্নুগী খুদোংচাদবা খরা লৈরম্বা য়াই। মা অমুক্তংদি উনবা পাল্লি, মরম খঙনিংলি। মরমসিনা মমাঙগী থাদা নুমিৎ তরানি ছুটি লৌরগা ময়ূমদা লাকই, পান্দমদি অন্নুগা ৱারী শান্নবগীদমক্তনি। ময়ূম চৎলুবদা মা মফমদু লৈতবা চহী অনী শুরে, মবুংগী মনাক্তা জেসলমেরদা লৈ হায়রকই।

মা জেসলমেরদা চৎলে, অন্নুদু চহী অনীগী মমাঙদা তন্নৌত খুলদা লুহোংখ্রে হায়বা খঙলে। মানা খুদক্তা তন্নৌত খুলদা চৎলে। য়াম্না ৱানা থিদুনা অন্নুগা উনরে, মা উবদা অন্নুগী মশক্তু খঙমক মকশিনখ্রে। লাইবক ফবনা য়ূমদুদা মা মথন্ত লৈরম্মী। ইমুংদুদা লৈরিবা পোৎ-চৈশিংদু পুমচায় চাইরি, মফম চানা অমত্তা লৈরমদে...। মচাদু ফমুংদা হিপলি, পোকপদগী শোল্লবা মাল্লি। ইমুংগী ফিভমদু উবদা মানা পামজবা মফম নৎত্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে। মাগী মপুরোইবদু মৈগী লোইশঙদা থবক তৌই... অদুগা নোংমা কাংদনা য়ু থকই... অদুগী মথক্তা ফুবা-চৈবা...। অশেংবা শক্তমদু উবদগী চহী অনী চুপ্পা মানা খাঙলকখিবা অৱাবদু কাউখরে।

অন্নুনা হংলকই “নহাক হৌজিক ফাওবা য়ূম পান্দ্রিবরা?” অবিনাশনা খুল্লকই ‘পান্দ্রি, অদুবু কৈদৌঙৈদসু নাইতোম তারে হায়না খনখিদ্রি, ঐ ইশানা ইশাবু কাউথোকচরুরবনি। নঙতনি ঐনা খল্লুরিবসি। অদুবু অন্নু নঙনা অসুম্না তৌরিবসি করিগীনো? ঐনা নঙবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজখি, অদুগা নঙনা হায়বদগীনি ইবান্নি কালী মনি দরদা লুহোংখিবসু, অদুগা ঐবু ইথন্তা হুন্দোক্লল্লিবসি করিগীনো? ঐনা হৌখিবা চহী অনীসি ইথন্তা করম্না লেনখি নঙদি খঙলম্লোই? হান্নদি ইবান্নি নোংমতা উনদনা লৈবা য়াওখিদ্রি। অসুক কুইনা কায়নবা... ৱাহং কয়া ইথন্তা হংজখি। কনাদা করি পাউখুম পীরুনি? অশাংবা নুংশাশ্বর অমা হোন্দোক্লদুনা অবিনাশনা হায়রকই – ফরে! হৌখ্রবদি হৌখ্রে। নঙনা অসুম্না তৌরিবসি করিগীনো?”

অন্নুনা পীরকপা পাউখুম তাবদা অবিনাশ পুমঙক ঙকখ্রে। ৱাখল মাঙদুনা তুগে তৌই। অন্নুনা হায়রকই “নহাক কোলেজদা নুপী অমত্তগা ৱারী শান্নদেদনা। মদুদা ঐখোয় ইমান্নবী ময়াম্না লুপা লিশীং অমগী পোন্থা থানরগা নাপল চাউবসিগী নাপল থুদেকপা ঙম্বদা পীবা হায়না শিংনখি। য়ানখিবগী মতুং ইন্না অন্নুনা থা তরুক্কী মনুংদা অবিনাশপু খুদুম চনখি। মন্দিরদা লুহোংবদুসু তৌশিন্নবনি। ঐগা সুম লোয়নরকপদগীদি নহাক পোঙবা নত্তে ইকায়থিগনবনি হায়বসি খঙলকখি- অদুবু মতম হেন্দোকখ্রে। ঐগী লুহোংবদি ইমুং মনুংনা হান্ননা লেপ্নখ্রবনি। নহাক্লা থবক চঙবা নুমিৎ তরানিগী মতুংদা জেসলমেরদা ইবুংগী মনাক্তা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকখি মরমদি সহরদদি মীপুম খুদিংনা ইবান্নিগী মরমদা লোয়না খঙনরে। মরমসিনা পাপানা মফমসিদা, রাজস্থানসিদা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকখিবনি। নঙনা থারকপা চিঠি খরদি ঐ ফংখি অদুবু ঐ ইরাল লৈরে। ঐ শিংনবদা মায় পাক্লা-পাক্লা মায়থীরে। ঐসে পুন্সি চুপ্পা ৱানা লেন্নবা শাপ তৌবিয়ু। অদুবু অবিনাশ নঙ নীংবা কায়রগনু। অফবা নুপী অমা য়েংলগা য়ূম পান্নবা তৌরসি।” মাগী মপুরোইবা হল্লকপা মতম ওইরে হায়বসি মাগী ৱাঙাঙদগী খঙবা ঙল্লে।

চৎলমদাইদা অবিনাশনা হায়রম্মী “অন্নু, নঙ মায় পাক্লে, নঙ মায়থীদে। অদুবু ঐনা হায়গদবদি কৈদৌঙৈদসু নুপী অমত্তনা অসিগুম্বা শিংনবা অসি কৈদৌনুংদসু তৌরুগনু হায়য়ু, ঐগুম্না পুন্সিদা নাইতোম তাদনবা।